## এডিটোরিয়েল

### তুরেলশিংগী ঈশিং ঈমাই ৱাংখৎলকপা

হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা পাকশন্না লেপ্তুনা নোং চুরকপনা মরম ওইরগা অয়াম্বা তুরেলগী ঈশিং ঈমাই তপ্লা-তপ্লা ৱাংখৎলকপনা অনকপদা লৈরিবা মীওইশিং মীপাইবা পোক্লবা হৌরক্লে। হৌজিক চুরিবা নোংজুগী চাং অসি থা অসিগী ৮ লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাউবদি অহোংবা লৈরোই হায়না মেট্রোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা মাংজৌননা খংহনখিবসু লৈখি। অদুনা তুরেলশিংগী ঈশিং ঈমাই অসি হেনগৎলকখিগনি নৎত্রগা ৱাংখৎলকখিগনি হায়বগী চীংনবসু লৈ। ফীভম অসিদা সরকারগী ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টনা তঙাইফদনা চেকশিন থৌরাং খরদি লৌখৎপা মথৌ তাই। নোংজু থাগী মাংওইননা তুরেলশিংগী ফীভম শোক্লা লৈরিবা তোর্ব্বান অমদি খোংনূং শেম্বা শেঙবগী থবক লোইশিনবা ফনা কন্না হোৎনরবসু খোঙহৌ খরা থিহ্নখিবনা মরম ওইরগা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমদবা কয়া য়াউদবসু নৎতে। কুমগী নোং হায়বসি কানানসু থীংবা ঙমলোই। অদুনা মাংজৌননা অৱা-অনা তারক্কদবদগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা হায়বা অসিনা উপাই ওইগদৌরিবনি। হৌজিক- হৌজিক ইম্ফাল সহর ফাউদুনা চেল্লিবা নম্বুল তুরেলগী ঈমাই মফম খরদা ৱানিং লেভেল য়ৌখ্রে, কোংবা তুরেলগী তোর্ব্বান খরা নমথখ্রে, মাকলং তুরেলগী খাজিরি এরিয়াদা তোর্ব্বান কায়বদগী অনকপদা লৈবা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। অতৈ তুরেলশিংগী ঈশিং ঈমাইসু তপ্লা-তপ্লা ৱাংখৎলক্লি ফীভম অসিদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা মাংজৌননা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎহৌদবা তারবদি মমাং চহিগী দষা অদুদগী হেন্না শাথিবা মওঙদা মীয়ান্না অৱাবা থেঙনরকপা য়াবগী অকিবা অমসুং চীংনবা লৈরিবসি কোকহন্নবা হোৎনফম থোকই।

মমাং চহিদা থেঙনখিবা ঈশিং -ঈচাউ কয়াদা তঙাইফদবা মচাক ফংদবদগী মীয়ান্না ৱানখিবা অদু হঙ্গৎনা য়েংশিল্লগা হন্দক্কী অসিদদি ফীভম অদু তাদনবা শীনবা হায়বসি সরকার অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী তৌফম থোকপনি। অসিগুমবা থবক্তা তোঙান-তোঙানবা লোকেল বোদিশিং অমদি ক্লবশিংনসু শোয়দনা মতেঙ পাংলক্কনি, পাংফমসু থোকই। মীয়ামগী মতেঙ ফংদনা থবক অমতা মায়পাকপা ঙমলোই হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরিবনি। অদুনা লোকেল বোদিশিং, ক্লবশিং অমদি মীয়ামগী মতেঙ ফংনবা হোৎনবা হায়বসি সরকারগী থবক শিল্লকপা থৌরাংগী মখাসু পোনগদৌরিবনি। ঈশিং -ঈচাউ হায়বসি কনানসু থীংবা ঙম্লোই তৌইগুম্বসুং মদুদগী থোরক্কদবা অৱাবা, খুদোংথিবা কয়াদগী খরা মখৈ ঙাকথোকপা অমদি কলহৌনবা হোৎনবা হায়বসিদি ঐখোয়না হোৎনবগী মখা পোনগদৌরিবনি। সরকারনা তৌবা য়াবা থৌরাং কয়া শোয়দনদি তৌরমগনি হায়ববু মদু মীয়ামগী মতেঙ য়াউদনা অমদি মীয়াম খঙহনদবা তারবদি লৌখৎলিবা অমদি পায়খৎলিবা থৌরাং অদুগী কান্নবা ফংগনি হায়বা থাজদে। অদুনা থবক খুদিংমক মনূং মপান ফাউনা মীয়াম খংনা পাংথোক্লবা হোৎনদুনা অৱাবা-খুদোংথিবা থোরক্কদবদগী কলহৌনবা হোৎনবা চুম্মী। মদুদা ঐখোয় পূন্নমক্লা পাংবা য়াবা মতেং পাংশিনসি। অসিগুমবা থবক্তা দোলা-দোলি নাইবগী নৎত্রগা মীচং -মীখায় নাবগী থৌওং য়ারিবমখৈ তৌদনবা হোৎনসি। পূন্নমক অসি সরকার অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা তৌথোরকপা থবক্লা উৎকদবনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মসিবু মৈতৈ-মীতৈনা এস.টি. লিষ্টতা চনবা পামবগীরা?

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

ইঠনোগ্রাফিক রিপোর্ট অমা নোর্থ ইষ্ট হিল য়ুনিভর্সিটি (নেহু) গী প্রোফেসার এ.সি. সিনহানা লুচিংদুনা শেমহনখি। মতুংদা ইং শোক ২০০৫ দা ভারতকী মমিং লৈরবা এন্থ্রোপোলোজিষ্ট প্রোফেসার বি. কে. রোই বর্মন্না লুচিংদুনা অনীশুবদুসু শেমখি। অরোইবা ওইনা শ্রী টি.এন. শর্ম্মা, চ্যারমেন সিক্কিম কম্মিসন ফোর বেকৱার্দ ক্লাসেসনা লুচিংদুনা ২০০৮ দা অহুমশুবা ঈ. আর. পুথোকখি। মথক্তা পঞ্জরিবা (ঈ.আর) শিংসি গুরুং, বাহুন, মানগার, রাই, শুনৱার, মুখিয়া, যোগী, থামী, য়াখা, ছেত্রি অমসুং নেৱার হায়বা সিক্কিম রাজ্যগী কম্ম্যুনিটি ১১বু সেদ্যুল ত্রাইব লিষ্টতা চন্নবা হোৎনবা খোঙথাংগী মতাংদনি। ঙসি ফাওবদা লেপ্তুনা চহি ২৬ হেন্না সিক্কিম রাজ্যগী চীফ মীনিষ্টর ওইরিবা শ্রী পৱান কুমার চল্লিংনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎ মে থাগী তাং ৩ দা পাংথোকখিবা সম্মিট ফোর ট্রাইবেল ষ্টেটস ২০১৮ দা ফোঙদোকখিবনি। হাইরিবা থৌরম অসি ইলেভেন ইন্দিজিনস ইঠনিক কম্ম্যুনিটিজ ওফ সিক্কিম (ঈ.আই.ঈ.সি.ও.এস.) না শিনখিবনি।

সিক্কিম সরকারনা শেল পুথোকপীরগা কম্মিটি অহুম্লক শেম্নগা হোৎনরবা মতুংদা কেবিনেটনা অয়াবা পিদুনা প্রোপোজেস অহুম্লক পিখ্রবসু ঙসি ফাওবদা মীনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফিয়ার্স, রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পিবিদবগী নিংদোন পোল্লি। লোয়ন- লোয়ননা ভারতকী ইকাই খুম্নরবা প্রসিদেন্ট, প্রাইম মীনিষ্টর অমদি অতৈ য়ুনিয়ন মীনিষ্টর ময়ামদসু কন্না তকশিল্লিবনি। অদুবু শ্রী চামলিংনা ফোঙদোকখিবদদি মহাক আসা মাংদ্রি অমসুং অথুবদা য়াবিনবা অকনবা মওংদা তকশিনবা লেপত্রি হায়রি।

নাকন অমরোমদা মতম অমদা শ্রী নোংথোম্বম বীরেন্না চীফ মীনিষ্টর ওইদ্রিঙৈদা মণিপুরগী এম.এল.এ. শিংগী অয়াবা সোই খোমদুনা হোৎনবিখিবগী ৱারি তাজখি। ঙসিদি চুম্মিদি খল্লগসু মীতৈ-মৈতৈগী ইঠনোগ্রাফিক রিপোর্ট অমসুং সোসিও-ইকনমি সর্ভে রিপোর্ট ইবিনবা সবজেক্ট এক্সপার্ট নেকপা হৌবা ফাওবা পামদ্রবগুম উজে। রিপোর্ট অনি অসি শেম শাবদা থা ২ দগী ৫ রোম ফাওবা চংবা য়াবনা মদুগী থৌরাং ফাওবদি তৌবিবদা থোইদোক্লা কাইরোইদ্রা নিংজৈ। মরমদি দরকার লৈরগা শীজিন্নবা নৎত্রগা শীজিন্নদবা ইয়া য়াবনা মরম ওইদুনা এক্সপাটশিং অনেকমন ফাওবদি থোইদোক্লা য়ামলোই খঞ্জে।

ইঠনোগ্রাফিক রিপোর্ট ইহন্নিংদবা মীওই খরবুদি মণিপুরদা লৈবগুম নিংই। মখোয়গী পাউতাক্তা থাজবিদুনা খূৎ থাবা ঙমদ্রবরা হায়নসু চিংনদবা ঙমদে। সোসিও ইকনমিক সর্ভে রিপোর্টকি দশাসু চপ মান্নরে হায়না লৌবদা ইতা তারে। অসুম তৌদুনা মীতৈ-মৈতৈ না এস.টি.লিষ্টতা চনবগী মতাংসি অর্থ খঙদবা তাঙ্কক অমদা থুংলরে হায়বা তারিব্রা? মীতৈ-মৈতৈ মরক্তা চংদবা য়াদবা রিপোর্ট অনী অসি শেম শাবদা য়ানিংদবা কাংবুসিবু মীওই লিশিং য়াংখৈ ফারমগদ্রা? লাক্কদবা ২০১৯ লোক সভা মিখলদা এস.টি. গী দিমান্দ অসি শৌগৎকনি হায়না ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা হাপ্পিদ্রগদি- য়াওদ্রগদি পার্টি অদুগী মীরেপ্পা ভোট পীবিগনু হায়বা পাউজেল থমগদ্রা? অশোনবা ঐখোয়না হৌজিক করি তৌবা তাবগে?

অদোমগী
গোপিমোহোন থোকচোম
নেস্নেল এৱার্দি
কৈশামথোং

## মৈতৈ নুপাগী লেংয়ান ফি (২)

**ঐখোয়ই শ্বায়গী ৱারী**
**মণীন্দ্র কোন্সম**

মমাঙগৈ মৈতৈ ইপা-ইপুশিংনা খূদৈ অরাংবীবু ইমুং-মনুংগী নুংতিগী ওইবা পুন্সিখক্তদা নত্তনা খুন্নাইগী ওইবা থৌদোক-ৱাথোক পরীং খুদিংমক্তসু তৎন-থানবা য়াদবা মওংদা শিজীন্নরম্মী হায়বসি অরীবা লাইরিকশিংদা ইদুনা তাক্লম্বা নৎত্রগসু হেক্তমক হায়বদা চুল্লগদবা ৱাফন্নি। অসূন্না হায়বগী মরমদি, মণিপুরগী মপান্দা লৈরিবা মৈতৈ খুন্নাইগী মনুংদা ঙসিসু অশি-অনা অমদি লুহোং-খোংদোংবগী থৌরমশিংদা খূদৈ অরাংবী অমা শেৎলগা অমনা লেংয়ান নৎত্রগদ ঙকয়েৎ ফি ওইনা শিজীন্নবা মৈতৈ নুপা নহা-অহলশিং অদুম্মক মরাঙ কায়না উবা ফংলি। অদুগুম্বা থৌদোকশিংখক্তদা নত্তনা মণিপুরগী মপান লমদমশিংদা লৈরিবা মৈতৈ বামোনশিংনা মীয়ামগী চাক থোংবা নৎত্রগা অতৈ অচা-অথক লাঙবদা ঙসিসু খূদৈ অরাংবী শেৎনরি, খূদৈ অরাংবীনা খ্বাঙলাক-ঙকয়েৎ-লেংয়ান-চীনখুম ফি ওইনরি। অদুনদি খূদৈ অরাংবী অসি মমাঙগৈগী মৈতৈ খুন্নাই মনুংদা মৈতৈ নুপাশিংগী ওইনদি মফম খুদিংমক্তা অমত্তা ঙাইরবা ফিজোল অমা শোয়দনা ওইরমগনি হায়বদা লাল্লরোই। করিনা, মণিপুরগী মপান লমদমশিংদা মণিপুরদগী চৎনখ্রগা মমাঙগৈদগী হৌনা খুন্দা-লৈতানরকখিবা মৈতৈ খুন্নাইনা ঙসি ফাওবদা শাগোন্নরিবা ফিজেৎ-চাকচা অমদি চৎনবীশিংগী মশকশিংদি মখোয়না মণিপুরদগী লোয়নদুনা চৎখিবা ঙাক্তনি। মীরমগী ঈশিং-নুংশিৎ অমদি অচৌবা খুন্নাইগী মীয়ামগা নক্না তোৎন-তিন্নরুবনা মরম ওইদুনা ৱাঙাঙগী লোন্দা-পুদাশিংদা নৎত্রগা চৎনবী থৌরম পরীংশিংদা মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা খরমখৈ লাকচখ্রগসু মখোয়গী ওইবা খুন্নাইগী চৎনবী পরীংশিংদি মখোয়গী ইপা-ইপুশিং অদুনা মণিপুরদগী চৎখিবা মতম অদুদা লৈরম্বা মৈতৈ খুন্নাইগী মশকশিং অদুনি। মতাং অসিদা ঐখোয়না চহী ১৫-১৬কী পাখং মচা ফারকখিবা খৃষ্টকুম ১৯৭৩ অদুৱাইফাওবা তশেং-তশেংনা থেংনরকখিবা মৈতৈ খুন্নাইগী চৎনবী পরীংগী মশক অমা মীৎমাঙদা নৌহৌনা শং-শং উরকপগুম নীংশিংলকই।

ঐখোয়গী লৈকায়, খুরাই কোন্সম লৈকায়বু কোনবিরিবী উমংলাই লাইরেম্মা, উমা সনা চীংচরোইবী কৌই। হান্নদি কুমগী হরাও-থৌরম পাঙথোল্লক্লম্বা উমংলাই লাইরেম্মা নত্তে (ঐহাক্লা খনবদা খৃষ্টকুম ১৯৭৪দগীদং কুমগী হরাও থৌরম পাঙথোকপা হৌরকখিবা মাল্লি। মদুগী মমাঙদদি কুম খূদিং লৈবাক্কী অমাইবা-অমাইবীশিং য়াওনা নোংমগী ওইনা লাই ইকৌবা অমসুং শরেন চনবগী থৌরমতমক পাঙথোক্লম্মী। শরেন চনবগী ঙা অদু লৈকায়গী মীয়াম চামীন্নবগীদমক চাক অমদি অতৈ হৱাই-চেংৱাইগী মথেল খরগা থোংবা-থাকপগী থবকশিং অদু ঐবু পোকপীরম্বা ইপামক য়াওনা শাগৈগী অমদি লৈকায়গী ইখুরা-ইতোনশিং খরনা কুম খূদিং তঙাইফদবা মথৌ অমগুম পাঙথোক্লরম্মী। মখোয় খুদিংমক লাইগী অমদি লৈকায় মীয়ান্না চানবগীদমক ফূ হৌবা অদুদা খূদৈ অরাংবী অমা শেৎলগা অমনা লেংয়ান ওইনা শিজীন্নরম্মী। অসূন্না মণিপুরদা মৈতৈ খুন্নাইগী থৌদোক-থৌরমশিংদা নুপানা খূদৈ অরাংবী অমা শেৎলগা অমনা লেংয়ান ফি ওইনা শিজীন্নবা থেংনরকখিবা অদু লৈকায়গী উমংলাই ইকৌবা অমসুং শরেন চনবগী ফূ হৌবখক্তদসু নত্তে। কুম অমগী শজীবু চৈরাওবদা শাগৈগী তল কৎপা নুমীত্তসু তল হৌবা য়াওরিবা শাগৈগী নহা-অহল খূদিংমকসু খূদৈ অরাংবী অমা শেৎলগা অমনা লেংয়ান ফি ওইনা শিজীন্নরকপা অদুম্মক থেংনরকখি।

অদুনদি হৌজিক ঐখোয়না য়ান্না শন্না হায়বা য়ারিবসি মণিপুরগী মৈতৈ খুন্নাইদা মৈতৈ নুপাশিংনা বেঙ্গোলী নৎত্রগা আসামীজশিংদগী মতৌ তমদুনা ফেজোম-পুময়াৎ শেৎপা-ইনবা হৌরকখিবা অসি ইকুই-কুইদ্রিবা মতমগী ৱাফন্নি হায়বসিনি। মসিদা মীঙোন্দগী মতৌ তল্লকপনি হায়বগী ইকায়নীংঙাই করিসু লৈফম থোক্তে। করিনা, খঙবা-উবা খরা ৱাৎলিবা মীওইনা খঙবা-উবা খরা হেল্লবা মীওইগী মতৌ তম্বা হায়বসিদি মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইগী মচৎনি। অদু নৎত্রগদি ঙসিগী মালেম শীনবা থুংনা ইংলিশ খোংগ্রাও শেৎনরমলোই অমেরিকান ফুরীৎ লীৎনরগ্লোই, নোংচূপ লমগী মহৈ-মশিং তম্বগী মওং চত্থনরগ্লোই।

> অদুনদি হৌজিক ঐখোয়না য়ান্না শন্না হায়বা য়ারিবসি মণিপুরগী মৈতৈ খুন্নাইদা মৈতৈ নুপাশিংনা বেঙ্গোলী নৎত্রগা আসামীজশিংদগী মতৌ তমদুনা ফেজোম-পুময়াৎ শেৎপা-ইনবা হৌরকখিবা অসি ইকুই-কুইদ্রিবা মতমগী ৱাফন্নি হায়বসিনি। মসিদা মীঙোন্দগী মতৌ তল্লকপনি হায়বগী ইকায়নীংঙাই করিসু লৈফম থোক্তে। করিনা, খঙবা-উবা খরা ৱাৎলিবা মীওইনা খঙবা-উবা খরা হেল্লবা মীওইগী মতৌ তম্বা হায়বসিদি মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাইগী মচৎনি। অদু নৎত্রগদি ঙসিগী মালেম শীনবা থুংনা ইংলিশ খোংগ্রাও শেৎনরমলোই অমেরিকান ফুরীৎ লীৎনরগ্লোই, নোংচূপ লমগী মহৈ-মশিং তম্বগী মওং চত্থনরগ্লোই।

তৌবগীবুদি ঐখোয় মৈতৈনা মীরম মীগী মতৌ তমদুনা ঐখোয়গী খুন্নাই মনুংদা হৌদোক্তুনা চৎনহল্লকপা চৎনবীগী থৌওং খুদিংমক মৈগৈ খূৎ হেক চঙবগা মৈতৈতগী ওইজবা মওংদা হেক্তমক থোরকই। অহোম নিংথৌ কোনুংলোমদগী মণিপুরদা চঙলকখিবা হিন্দুগী বৈষ্ণব লাইনীং লীচৎসু মালেমদা লৈরিবা অতোপ্পা কাঙলুপ অমত্তগা মান্নদে। মৈতৈশিংতগী ওইবা মওংদা তোপ-তোপ্পা শেমগৎলগা থম্বিরম্মী। মীঙোন্দগী পুরকখিবা রাস জগোয়, জগোয় রাসকী পোৎলোই, নট সংকীর্তন, লাইবক্তা থিনবা চন্দন, চাকচা-হৈজানবা অমদি থৌদাক-থৌরমশিংদা লাঙবা চাক্লেনগী মথেল-লুকোই নচিংবা খূদিংমক মীঙোন্দগী মতৌ তল্লকখিবা ঙাক্তনি হায়জরগসু মওংদি মালেমদা অতোপ্পা কাঙলুপ অমত্তগা মান্নদনা মৈতৈতগী ওইবা মশক অমদা হেক্তমক থম্বিরম্মী। পূন্নমক অসিদি লাইরদুনা মীরমদগী চঙলকখিদুনা মৈতৈনা লৌরকখিবা হিন্দু লাইনীং লীচৎকী লাইশঙশিংদা লাৎনরিবা শ্রীরাধা-কৃষ্ণগী মিতম মশক-মতৌ ফাওবা অতৈ মীরমশিংগীগা মান্নদে। মৈতৈতগী ওইজবা তোঙানবা মশক-মওং কয়াগা লোয়নৈ। অসূম তৌনা, মণিপুরদা মৈতৈ নুপাশিংনা শেৎনরকপা ফেজোম অমদি লীৎনরকপা পুময়াৎ ফুরীৎ অনীমক অসি খূৎশেত্তা অমদি খুৎলীত্তা অতৈ মীরমগী কাঙলূপ অমত্তগা মান্নদে। মৈতৈতগী ওইবা তোঙানবা মওংদা শেৎন-লীৎনরকই।

মালেমগী ২শুবা লাঞ্জাও মমাং ফাওবদদি মণিপুরদা অহল-নহা-অঙাং খাত্তনা ফেজোম-পুময়াৎ অসি পাক্তক্লনা শেৎন-লীৎনবা হৌরকখ্রে হায়বসি মমাঙদা পঞ্জখ্রবা, খৃষ্টকুম ১৯৩৫দা কোনুং কাং চিংবগী সাইন্টে দোকুমেন্টরি ফিলম অদুদগী খঙবা ঙম্মী। অদুবু মতম অদু ফাওবদি ফেজোম-পুময়াৎ শেৎ-লীৎপা মৈতৈ নুপা নহা-অহলশিংনা লেংয়ান ফি অঙৌবা কয়া শিজীন্নরমদে হায়বসিসু ফিলম অদুদগী খঙবা ঙম্মী। অদুবু অহোংবা নাইবা মতন্না পুরকখিবা চৎনবীগী ঈচেল পরীংদা মৈতৈ নুপানা খুন্নাইগী ওইবা থৌদোক-থৌরমশিংদা ফেজোম-পুময়াৎপু শেৎ-লীৎলবদি লাকয়েন অমসুং মরাক তাইবা অঙৌবা ফিদুপ অমা লেংয়ান ফি ওইনা য়ানবা চৎনরকখি (অমরেমদা মৈতৈ নুপীশিংনসু লাইথৌ-তিম্থৌগা মরী লৈনবা থৌদোক থৌরমশিংদা পুমঙৌ ফনেক শেৎলগা লাকয়েনদি তাইরগা মরাক্তি তাইদবা অঙৌবা ইন্নফি ইনবা চৎনরকখি)। অসিগুম্বা মৈতৈ নুপাগী ফেজোম-পুময়াৎ-লেংয়ানফি অঙৌবা অদুগা মৈতৈ নুপীশিংগী পুমঙৌ ফনেক অমদি অঙৌবা ইন্নফি হায়বা অসিনা মৈতৈগী ওইবা থৌদোক-থৌরমশিংদা মৈতৈ হায়বা কাঙলুপ অসিবু অমত্তা ওইবা, কাঙলুপকী মনুংদা অনেম-অৱাং খায়দবা তোপ-তোপ্পা কাঙলুপ অমা ওইনা মায় পাক্লা উহনবা ঙম্লকখি।

অদুবু লাইবক থীবদি, মৈতৈ নুপানা অমত্তা ওইবগী মান্নবা মওংদা শিজীন্নরকপা ফেজোম-পুময়াৎ অমদি লেংয়ান ফি অসি ঙসিদি মথোং-মরম খঙনরক্তবগী মওংদা লাক্লে। মসিগী মরূ ওইবা মরমদি মৈতৈ নুপাগী লেংয়ান ফি অঙৌবা অসি মীরমগী মতৌ তম্লকপা পোৎশক অমনি হায়না লান্না খন্নরকপদগী ওইরক্লম্বা য়াই থাজৈ।

মৈতৈ নুপাগী লাকয়েন অমসুং মরাক তাইবা অঙৌবা লেংয়ান ফি অসিবু মীরমগীনি খন্দুনা হায়বা তারে, মৈতৈগী তোপ-তোপ্পা অনৌবা লেংয়ান ফি ওইনা লৈরুম ফিগী মওংদা শাবা মফলর মওংগী লেংয়ান ফি অমা কনানা হৌদোরকখিবনো খঙহৌদে, চহী খরা মমাঙদা য়ান্না কন্না চৎনরম্মী। মদুদি তশেংনা অরানবা থৌওং অমনি হায়নীংই। করিনা, মৈতৈ খুন্নাইগী মনুংদদি লৈরুম ফি শিজীন্নবগী তোঙানবা চৎনবী পরীং কয়া লৈজরকই। মৈতৈ ইমুং কয়া অমনা ঙসি ফাওবদসু মৈতৈগী চৎনবী ঙাক্লা শিজীন্ননরি।

লৈরুম ফিগী মওংদা শাবা লেংয়ান ফি হৌদোরক্তুনা কন্না চৎনরকখ্রবা মতুংদা হৌজিক মতমদদি মৈতৈগী য়েক তরেৎ সলাই মাপনগী মচু মওংদা ফিবান চনবা লেংয়ান ফি মখল অমা অমুক হৌদোক্লরক্তুনা চৎনবা হৌনরক্লে। মদু হৌদোরকপগী ৱাখল্লোল অদুসু ঙক্তবা ঙমদে। করিনা, মৈতৈ নুপাগী ওইনদি খূদৈ অরাংবী নত্তনা অতোপ্পা লেংয়ান ফি হায়বা অমা লৈরমদে। মৈদিংঙু গম্ভীর সিংহ (১৮২৫-১৮৩৪)গী মতমদগী মৈতৈ লৈবাক্কী লানমী তেঙ্গোল লিংখত্তুনা মৈতৈ লানমীগী অমুবা ফেজোম-ফুরীৎ-কোকয়েত্তা অঙাংবা খ্বাঙলাক অমদি খদাংয়েৎ হৌদোক্তুনা চৎনরম্বনি।

মৈতৈ নুপানা লেংয়ান ফিঅঙৌবা য়ানবা চৎনরকখিবা অসি আসামীজশিংনা মখোয়গী গমশা মচা অমা লেঙয়ান ফি ওইনা শিজীন্নরিবা অদুদগী মতৌ তমদুনা মৈতৈতগী ওইজবা মওংদা হৌদোরকখিবনি থাজে। অদুমওইনমক ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা মৈতৈ নুপা কয়া অমনা আসামীজ গমশাবু থওইনমক্কী য়ান্না লেন্নরবা মওংদা মৈতৈগী থৌদোক থৌরমশিংদা ফেজোম-পুময়াৎকা পাদুনা য়ান্নরকপা হৌদোক্লরকপসু কন্না য়াওনরক্লি। থৌওং অসিমসু য়ান্না নোক্লীংবা অমনি। আসামদা লৈরিবা মৈতৈ নুপাশিংদা আসামীজ গমশা য়ানবদি মখোয় মৈতৈ ওইজরবসু আসামদা পোলক-চাউক্তুনা লৈরিবা মীওইনি হায়বা তাকচবনি। আসামীজ গমশা হায়বসিদি আসাম লৈবাক অমসুং আসামগী মীওইশিংবু মশক তাকচবা পোৎশক অমনি। মণিপুর অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈগা মরম অমত্তদা মরী লৈনদে। অদুনা হৌজিক মতম মণিপুরদা মৈতৈ নুপা কনাগুম্বশিংনা মৈতৈ খুন্নাইগী ওইবা থৌদোক-থৌরমশিংদা আসামীজ গমশাবু লেংয়ান ফি ওইনা য়ান্নরকপা অসিদি তশেংনমক জুৎ চাদবা থৌওংনি। তোক্লবা ফৈ।

হৌজিক মৈতৈ নুপাগী লেংয়ান ফিগী মতাংদা খ্বাইদগী অরুবা ৱাফম অমা ওইনা থোরক্লিবদি, ঙসিদগী নুমীৎ খরনি মমাঙদা কনাগুম্বা কাঙবু খরনা মৈতৈ নুপাশিংগী ওইনা মশা-মশাগী য়েক-সলাই তাকপা ঙম্বা মচু মখলশিংগী লেংয়ান ফি হৌদোক্লগনি হায়বসিনি। ৱাফম অসিনা অচুম্বা ওইরগদি ঙসিগী অপূনবা মৈতৈ ঐখোয়গী ওইনদি ওম্থোক্লা লাইবক থীবা থৌওং অমা হায়বদু শোয়দনা ওইরগনি।

করিনা, ফিজেৎ-লাকচেৎ, চাকচা-য়ুথক, ৱাঙাং-শাঙাং অমগা-অমগা মান্নরমদবা কাঙলুপ মচা কয়াবু ঙসিদগী চহী লীশিং অনীরোম মমাঙদগী অমত্তা ওইবা মান্নবা কাঙলুপ অমগী মশক্তা শাগৎপা হৌবিরকখিদুনা মপুঙ ফারবা মৈতৈ খুন্নাইগী মশক অমা ওইনা থম্বিরল্লবা মৈতৈ হায়বা কাঙলুপ অসিবু নৌনা পুথোরক্লগনি হায়রিবা লেংয়ান ফি অদুনা অমুক হন্না মচেৎ-মচেৎ তানা থুগাইবিরক্কদৌরিবনি। অদুনা অপূনবা মৈতৈ খুন্নাইগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান্নবা য়েক-সলাইশিংবু অমুক হন্না তোখাই-তোখাই নৌনা শক্তাক্লক্কনি হায়রিবা অনৌবা মখলগী লেংয়ান ফি অদুমদি শূকপু-পুথোকপিরক্তবনা ফগনি খঞ্জে। মণিপুরদা মৈতৈ নুপাশিংনা শিজীন্নরিবা লাকয়েন অমসুং মরাক তাইবা অঙৌবা লেংয়ান ফি অসি মালেমদা অতোপ্পা কাঙলুপ অমত্তনা শিজরন্নবা মওং নত্তে। মৈতৈ ঐখোয়তগী ওইজবা লেংয়ান ফি মখলনি। মসিনা খ্বাইদগী মরূ ওইনা তাক্লিবদি অপূনবা মৈতৈগী মশক অদুনি। মসিবু মীরমগী মতৌ তম্বনি মৈতৈগী নত্তে খনবদি অরানবা ওইগনি।

*লোইরবা।*

## মীওইবা অমসুং ধর্ম্ম-২

*চোংথাম থোইবা*

*মমাং নিংথৌকাবগী মখা...*

অদুগা ধৃষস্তরাস্ত্র অমদি গন্ধারীনা মখোয়গী গৃহস্তগী আশ্রম ধর্ম্মবু কায়না চৎখি। গন্ধারীসু সতী ধর্ম্ম ঙাক্লিবনি হায়দুনা মপুরোইবনা মীৎ উদ্রগা ঐনা করিগী মীৎ পাঙলুগদৌরিবনো হায়দুনা মমীৎ পুনশিন্দুনা লৈখ্রবনিনা মচা চাম্মদুনা করি করি তৌরিবগে উবা ঙমদ্রে, মখোয়গী লমচৎ-শাজৎ য়েংশিনবা অমদি ৱারক-ৱাতেম্বা লমজীংবা ঙমখিদ্রে। লোয়ননা ধৃতরাস্ত্র অমদি গন্ধারী অনীমক মচাশিংগী মীচঙদা চঙদুনা পাণ্ডব মচীন-মনাও মঙাগী মাঙনবতা খন্দুনা লৈবদগী ধৃস্তরাস্ত্রনা ভীমবু চপখায়দুনা হাৎনবা হোৎনখি। গন্ধারীনসু সতীগী শাপনা ভীমবু উৎ ওইনা তুন্নবা হোৎনরুবদগী ভীমনা হামেঙ ওলহনখিদুনা ইকায়বা নংখ্রিবনি। লোয়ননা গন্ধারীগী নাপলনা কুন্তীবু য়ান্না উশিৎতনা, তাথী-তাওইনা ধর্ম্ম কায়না লোয়নরুবদগী মহাদেবগী লৈহাও কৎপদা মায়থীবা ফংখ্রিবনি। ধর্ম্মবু খোঙ্গাওনরুবদগী অমদি মীচা শিসনু খল্লগা ইচা শি হায়দুনা মচা চাম্মা তুন্না মাঙখ্রিবনি। ভীষ্ম অমদি দ্রোণ গুরুসু ধর্ম্ম ঙাক্লা চৎপা ঙমখিদবদগী লান্দা পাণ্ডবকী খূৎতা শিখি। দ্রৌপতীবু দুশাষননা সভা ময়ায়দা মফি মুনবদা ভীষ্ম অমদি দ্রোণ অনীনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈখিবদুনা মবুধৌ অমদি গুরু ওইবগী ধর্ম্ম ঙাক্তবা মথৌ মশক খঙদবা মখোয়বু হান্না হাৎপা চুম্মী অমদি হাৎলবনি হায়না শ্রীকৃষ্ণদা বিশ্বরুপ উৎপিদুনা অর্জ্জুনদা খঙহনবিখি।

(গীতা-তরামাথোইশুবা অধ্যায়, শ্লোক ৪৯)

অদুগা জামদগ্নিগী লোয়নবী রেনুকানা গঙ্গাগী লম্বীদা লাকপদা মহানরেশ নিংথৌগী জগোয় শাবীশিংগী জগোয় শাফমদা জগোয় শাজনীংদুনা জগোয় য়াওদুনা লৈথোক্লুবা অমদি মশাগী সতি ধর্ম্মবু ঙাকপা ঙমদদুনা মহানরেশনা রেনুকাগী সতী ধর্ম্মবু কায়হনবিখিবদগী মপুরোইবা জামদগ্নি মুণিনা মচা পরশুরামদা য়াথং পীদুনা মমা রেনুকাগী মঙক শীংজঙনা কক্তুনা হাৎহনখি। কাইনথংদা নিংথৌ মহানরেশপুসু পরশুরামগী শীংজঙনা মঙক কক্তুনা হাৎখি। পূন্নমক অসি মানা মানা ধর্ম্মবু হাৎলুবগী ধর্ম্মনসু মখোয়বু হাৎখ্রিবনি।

নাকল অমরোমদা সতী সাবিত্রীনা মহাক্কী সতী ধর্ম্মগী অয়ৌবী পালনগী শক্তিনা যমগী মখূৎতগী মপূরোইবা সত্যবানগী থৱায় কলহৌখিবগী ৱারী নীংশিংবা য়াই। লোয়ননা দ্রৌপতীনা মচা মঙা হাৎখিবগীদমক লমন খূন্নবা দ্রোণগী মচা অস্বথামাবু ফাদুনা পুরক্লবদা দ্রোণ গুরুগী মচা হাৎপদি গুরু হাৎপগা মান্নে হায়দুনা মরু কোকথোক্লগা থাদোকপিখো হায়না দ্রৌপতীনা অশ্বথামাগী মথ্বায় কনবিখি। অসিগুমবা ঙাকপিহৈবা ধর্ম্মগী মহয়না পোলোইদা অৱাফম তাখিদে।

ইতিহাসকী লামায় য়েংখৎলুবদা ঔরঙ্গজেবনা মচীন-মনাওশিংবু জেন্দা থমজিল্লগা মপা সহাজাহানবুসু হাৎতোক্লগা নিংথৌ ওইরুবদগী মোগোল শাগৈ লৈখা তাখ্রিবনি। ধর্ম্মবু হাৎলুবগী ফলনি। মণিপুরগী টিকেন্দ্রজিৎপু ধর্ম্ম কায়না ফাজীন্নবা হোৎনবা অমদি লৈকায় কয়াগী য়ূম মৈ থাদুনা প্রজা হাৎখিবা, ওৎখিবগী ফলনা কংলা উত্রা মাঙদা সাহেব মঙা থাঙনা কক্তুনা, তানা থিন্দুনা হাৎখ্রিবদু মখোয়না ধর্ম্মবু হাৎলুবগীনি।

শান্তিদাস গোসাইনা মণিপুরগী লৈজরম্বা লাইনীং লীচৎ মূৎথৎনবা লাইফম কয়া থুগাইরুবা, পুরাণশিং মৈ থাদোক্লুবদগী লাইথুং পল্লকখিবদগী পুরুকশৌবীদা ঈরুপখিবা মমৈথংদা মণিপুর থাদোক্তুনা চেনবদা খুজাইরোক্তা খুজাইনা থাদুনা হাৎখি হায়রিবসি ধর্ম্মবু হাৎলুবগীদমক মাবুসু ধর্ম্মনা হাৎলকখ্রিবনি।

ঙসিগী কলি যুগ অসিদা অচুমবা চৎতবা, মবূকচেল শেংদবা, ধর্ম্মবু হাৎলবা লৈঙাক মপূ, অঙম-অথৌ কয়া কয়া অমনা মশা মশাগী ওইজবতা থিদুনা তোল্ল-তারবা, লায়রবশিংগী ঈ চূপ্লুবগীদমক ধর্ম্ম বিচারনা দণ্ডি পীরকপা মীয়ান্না কয়া কয়া উরি। ধর্ম্মবু হাৎলুবগীদমক মখোয়গী পুন্সি মহয় য়ানবা পুন্সি ওইনদ্রে।

বর্ণ ধর্ম্ম অমত্তা চৎনদ্রে। ব্রাহ্মণনা বেদ শাস্ত্রীদি হৈত্না দান খরগীদমক, ব্রাহ্মণ শাবা ঙাক ঙায়শিল্লক্লে। কলিগী ব্রাহ্মণদি মহূ য়াওদ্রবা লিনগা মান্নরে। ব্রাহ্মণনি হায়বগী নাপল অদুতা মঙায়রে। নাপলদি ধর্ম্মগী য়েক্লম্বনি। লঙ্কাগী রাবণসি ব্রাহ্মণ ওইজরবসু কনা অমত্তনা- 'অজ্ঞা রাবণ' হায়দে। মসিগী মহুৎতা 'রাবণ হিংচাবা' কৌনখ্রে। মসি ধর্ম্মবু হাৎলুবগী ফলনি।

অমরোমদা বিশ্বমিত্রা ক্ষেত্রি ওইজরবসু বিশ্বমিত্রা মুণি হায়দুনা জগৎনা ব্যবহার তৌনরি। নরোতোম ঠাকুরসি শুদ্র মচানি অদুবু মঙোন্দা গঙ্গানরায়ণনচিংবা ব্রাহ্মণ মচা কয়ানা গুরু ওইখি। অসুন্না ধর্ম্মগী লীচৎকী মতুং ইন্না কনানা পুণ্য ফংঙি, কনানা নরক তাই।

হৌজিক্কী সমাজসিদা ধর্ম্মবু খোঙ্গাওনবা কয়ানা মরনাই অপাম্বা খরগী মী হাৎলি, ওৎলি, মীগী মরল মুল্লি, নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ কয়া কয়া মাঙহল্লি। খুনাইসিদা মীচম প্রজাশিং কনবিনবা লৈত্রে। অদুবু ধর্ম্ম হাৎলুরিবশিং ধর্ম্মনসু মখোয়বু দণ্ডি পীরি। কনাগীনা ময়ূম মৈ থাদোকপিরি, থুদেকপিরি, লৈকায়না ঈম্বোক্তুনা চঙনদ্রি। লৈকায়দগী তান্থোক্তুনা লৈফম লৈহন্দ্রি, কনাগুম্বা খরনা জেলদা বণ্ডি ওইরি, খরা অমদি মথ্বায় মাঙখিবসু য়াওনরি। পূন্নমক অসি ধর্ম্মবু হাৎলুবগী ধর্ম্মনা অমুক হাৎলক্লিবনি। ধর্ম্মসিদি অখাঙ কনবা জীবশিংগীদমক মতেঙ পাংনবা মশা-মরেঙ ফন্না হৌরিবা উজাউ পামবীগুমবনি।

ঙসিগী খুনাইসিদা মপা-মমাগী ধর্ম্মবু শীংনবা থকশি-খাশি, লমচৎ-ব্যবহার লৈনরক্তুবা মশা-মশাগী ওইজবা থিবা অপাম্বনা থুমহৎখিদুনা মশাগী ধর্ম্ম হাৎলবা মচা-মশু কয়া উনরক্লে। ধর্ম্মবু ঙাক্লদবা মফমদা অশান্তিগী তূংনফম ওইরে। মীনা মনাক নক্লীংদ্রবা অমদি শিফম-নাফম খঙনদ্রিবশিং অসি ধর্ম্মবু খোঙ্গাওনরবা ঙাক্তনি।

থম্মোয় শেংনা অচুম্বা ধর্ম্ম চৎতুনা লীচৎ-শাজৎ ফজহল্লগা ইমুং মনূং চান্ন-চিন্ননা হিংমিন্নদুনা থক-খা নাইবা খুনাই শেম্লবদি পৃথিবীদা শান্তি পূরক্কনি। ধর্ম্মদি পুন্সিগী লেঙদ্রবা মরুপনি।

লোয়ননা "Earth needs our help to help us" (CEE) ৱাহম্বোক্তি "ঐখোয়বু মতেঙ পাংনবগীদমক মালেম্না ঐখোয়গী মতেঙ দরকার ওই।" হায়রিবা মন্ত্র অসিগী নুংগী অর্থ খঙনা মীওইবনা চৎত্রে। মহৌশা লাইরেম্বীনা শেম্বীরম্বা বাইওদাইবর্সিতিগী শক্তম নোংম- নোংমগী মাঙহল্লক্লে। চীং কোকথোক্লে, উমং কোকথোক্লে, উ-ৱা তুন্না য়াম্বৎলক্লে, তূ-খোং, পাৎ ফুনজিল্লক্লে, শা-উচেক হাৎতোকপিরে, শা-উচেক, তীন কয়া কয়াগী লৈফম লৈরক্ত্রে। চীংগী উমং, উ-ৱা য়াম্বৎখিবনা নোংজু-নুংশাগী অমদি অঈং-অশাগী খল কায়দুনা মীওইবা হিংবদা ৱারে। পোৎথোক-চাথোক মরাঙ কায়শিল্লক্ত্রে। নুংশিৎ শেংজিল্লক্ত্রে। মীওইবনা ধর্ম্মবু হাৎতুনা মালেমগী মতেঙ পাংলক্তবদগী ধর্ম্মনা মীওইববু অৱাফমদা তাহল্লক্লি।

ধর্ম্মদি মীওইবগী পুন্সিনি। মীওইবনা শিরগা লোয়নখিগদৌরিবসি মানা চৎলম্বা ধর্ম্ম অদুতনি। ধর্ম্মবু হাৎলবদি ধর্ম্মনসু মাবু হাৎলক্কনি। ধর্ম্মবু ঙাক্লা চৎলবদি ধর্ম্মনসু শোয়দনা ঙাকপিগনি। ধর্ম্ম কায়দবতনা জয় ওই।

"তথা ধর্ম্ম তথা জয়"